হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, জুন ১৭, ২০১৬, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ৭৯ শুবা মশীং

# সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন

## মণিপুর থুগাইবগী দিমান্দদা ৱারী শাফম থোক্কে

**মশিং** খঙদ্রবা লালহৌলুপশিংগী থবক থৌরমশিং য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবগী পান্দমদা সেন্ট্রল গবর্নমেন্টকী পাউতাক মতুংইন্না কুকি অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন ২৩ গী মণিপুর গবর্নমেন্ট য়াওরগা মায়কৈ অহুমগী ওইবা সস্পেন্সন ওভ ওপরেসন (সু) চৎনহনবগী ৱাফম লাকখি। ৱাফম অসি ইং ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা থবক্তা ওন্থোক্তুনা নুমিৎ অসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংগী সস্পেন্সন ওভ ওপরেসন চৎখখি। সু তৌনরিবা অসি কাঙবু অনী থোক্লা খায়দোক্লগা তৌনবনি। কাঙবু অমনা কুকি নেসনেল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)নি। অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)নি। মার্দর ওর্গনাইজেসন ওইরিবা কে এন ওদা লালহৌলুপ ১৭ য়াওই। অদুগা য়ু পি এফতনা লালহৌলুপ তরুক পুল্লি। হায়রিবা লালহৌলুপশিং অসিগা লৈঙাক্লা য়ান্নখিবা মতুংইন্না মখোয় মখোয়গী খুৎশু-খুৎলায়শিং নাকল অনীনা ছো পায়নরগা আর্মিগী সেভ কষ্টদিদা থমল্লে। কাদরশিংসু লৈঙাক্লা মশক খঙনা শেম শাম্লবা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদা লৈনল্লে। মখোয়গী চহীগী থৌরাম পাঙথোকপা ফাওবা দিজিগনেটেদ কেম্পতা পাঙথোক্লে। কেম্পতা লৈরবা কাদরশিং লৈঙাক্লা আইদেন্টিটি কার্দ অমমম পী। আই দি কার্দ পীরবা কাদর অমমম্না থা অমদা চাদিংগীদমক লুপা লীশিং অহুম পী। সু তৌবা মতমদা মায়কৈ অহুমগী ওইনা য়ানখিবা অয়ান্থা য়ুনিয়ন গবর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা ঙাক্তনা চৎলি। অদুবু লুরিবা ৱাফমদি খুৎলায় পায়বা কুকি লালহৌলুপশিংনা সুগী চৎনা পথাপশিং কয়ামুক য়াম্না ঙাক্লিবগে হায়বসি হৌজিকসু ৱাহং ওইনা হংনদুনা লৈরি। থৌদোক খরদগি সুদা য়াওবা লালহৌলুপকী কাদরশিং চেঙবা কেসতা হায়না ওইনা সরকারদা শীন্নরকখিবগী ফজরবা নীতি লৈখি। করিগুম্বা মতমদনা মখোয় চেন্দে হায়দুনা হেক্তমক লৈথোকখিবা য়াওদবসু নত্তে।

হৌখিবা চহী ৮ লোম ষ্টেট অসিদা থোকপা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক ৱাথোক কয়াদা সু চৎনরিবা লালহৌলুপশিং চেন্নদুনা লাকই। দিজিগনেটেদ কেম্পতা খুৎলায় থমজিল্লে হায়জরবসু অতোপ্পা মখল-মখা কয়াগী খুৎলায়শিং লালহৌলুপশিং অসিনা শীজিন্নৈ। লৈঙাক্লা মখোয়বু চথোক-চৎশিন্দা অথিংবা লৈতবা মরম্না খুল অমদগী খুল অমদা মনিং তম্না চৎলি অমসুং মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা মওংদা খুনমীশিং অদু হোইদুনা পুননবা হোৎনৈ। হৌজিক্তি লালহৌবনবু হায়রবদি খুনমীশিং মখোয়গী থবক তৌদবা ঙমদ্রে। লালহৌলুপশিংসু মীচম মীয়াম কয়ানা খুৎলায়গী তুংদা পেপ্পনবগী মপান্নদা কল্লে। মীয়াম শীজিন্নরগা কুকি য়ু জিশিংগী ৱারোইশিন পুরক্লবা পোলিটিকেল দাইলোগ তৌগদবনি হায়বা প্রেসরসু মীয়ামদগী লাকল্লে। শেল থাদরগা দিল্লিদা লোবি তৌবসু হেনগৎলে। অসুম্না মীয়াম অমসুং কুকি য়ু জিশিংনা পান্দম অমগী মখাদা চঙশিল্লকপগী মহয় ওইনা মায়কৈ অহুমগী ওইবা পোলিটিকেল দাইলোগ অদু দিল্লিদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখ্রে। পোলিটিকেল দাইলোগ অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিল্লগা চৎলিবশিং মশক নাইবা মৈতৈ য়াওদ্রে। সেন্ট্রেল গবর্নমেন্টকী টিমদসু কুকি য়ু জিশিংনা পাম্বা মীওই খল্লগা থারকপগুম তৌরে। অসুম্না ফম্বা মীফম অদুদা কুকি য়ু জিশিংগী মায়কৈদগী মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা মণিপুর থুগাইনবগী কুকিশিংগী ওইবা তোখায়বা ৱাফম অদু চিট শেম্নবা ৱাফম পুখৎকল্লে। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফমদি চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা য়াম্না তোয়না হায়বা ৱাফম অমদি মণিপুরগী ঙমখৈদা শীংনরকপা ৱাফম অমত্তা য়াবা ঙল্লোই, মণিপুরগী য়েত্থুম মতোন্দা পকপা লম অতোপ্পদা পীথোক্লোই হায়বনচিংবশিং অদু ঙসিদি তায়োন্নরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। কুকি য়ু জিশিংগী ৱারী শানবগী মতাংদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোকপা ৱাফম অমত্তা য়াওরোই হায়না খুৎয়েক পীনরবা তুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ৱারী শানবা হৌখিবা নৎত্রা? হৌজিক্তি মণিপুর লৈঙাক্লা হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লিব্রা হায়বদু ৱাহং ওইনা হংলক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফমদুদা মণিপুর থুগাইনবা ৱাফম কুকি য়ুজিশিংনা পুখৎলকপদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা চৎলিবা টিম অদুনা মদুদি য়ারোই হায়দুনা হৌগৎলগা থোরকফম থোকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী করি ফিরেপ লৈবগে হায়বা অথুবা মতমদা মীয়ামদা খঙহনফম থোকই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## অচুম্বা মেপ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মীশিংনা** নোংমা-নোংমগী হেনগৎলকপা অদুগা লমনা চাওবা হেনগৎতবনা লৌবুক-লম্মাং, চীংয়া-তময়া অহাংবা লৈরক্তরে। লৈঙাক্কী লম অহাংবশিংদা খোপতুনা য়ূম শাদুনা খুন্দা লৈতাশিন্দুনা লৈশিনখিবদগী লৈঙাক্লা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎনবা হোৎনরকপদা খুরৌ থাংবা মায়োক্নবা, অমরোমদনা য়ূমলোন কৈরোন্নবগী লম হেন্না খোপচিন্দুনা লৌরি-য়ূম্ফম চাওননবা হোৎনরকপদগী খৎন-চৈনবগী ৱাথোক, অশেংবা ঙমখৈ তাকপীনবা লৌরুংশঙদা ৱাকৎনরকপদা ৱাচৎ ৱানোম অমদি শক-মায় য়েংনা থবক তৌবদগী পেন্নদ্রবা কয়ানা ৱায়েলশঙদা মায় ওনশিন্নরক্তুনা চহী কয়া চঙলবসু অরোইবা ৱায়েল ফংবগী মমি শাম্লক্তুনা ৱায়েলশঙবু ৱারৌনরকপা, তাইনফম খঙদ্রদুনা মীয়াম্না পাউচেশিংদা পাউদম্নরকপা কয়া পারুবদগী খঙবা ঙম্লে মদুদি অচুম্ববু নাথৈহনবা ঙম্বা অঙম্বা কয়া ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরে।

লম অমদি ইঙ্খোলগী মেপ অসি য়াম্না মরু ওইবনি। তরাই-তরাইনা লৌবা য়াবা নত্তে। জুকো ভেল্লি মণিপুরগী লমনি হায়রিবা, অমনা মণিপুরগা ম্যান্মারগা তাইনবদা লৈবা ঙমখৈ য়ুম্বী মাঙহনখিদুনা মণিপুরগী লম মাঙলে হায়রিবা পূম্নমক অসিগী শাখিদি মেপনি। মেপ অসি লম চাওহনগে, পীকহনগে হায়দুনা পংয়েক য়েকপা য়াবা নত্তে। ইম্ফালদা লম ককথোক-ককশিন অমদি ওন্থোক-ওনশিন তৌবদা কুমজা ১৯৬০ গী মেপ শীজিন্নে। কুমজা ১৯৯০ গী মেপ অসিদি অরানবা কয়ানা মপূং ওইবনা লম ওনবগী ৱাথোক লৈরিবসি মরী লৈনবা লোইশঙনা পুকচেল শেংনা হোৎনদুনা তুং কোইনা চৎনবা য়াবা অমা থম্বা তঙাইফদে। লমগী মপু খুদিংমক্কী পাট্টাদা লম অদুগী পাক চাওবা পীরি। মদুগী মতুং ইন্না লমগী খাজনা থিনরিবনি। পুকচেল শেংনা শক মায় য়েংদনা অচুম্বদা মায় ওনশিনবীদুনা তৌবীরবদি লমদমসিদা লমগী ৱাথোক্কী মতাংদা খৎন-চৈনবা থোক্লোই।

*অদোমগী - কে শুরজ মীতৈ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯

১। কবি চাউবনা শৈরেং ঙাক্তগী লাইরিক অমখক্তং ইরম্মী। মমিং করি কৌই?

২। ‘রোহিনী’ উপন্যাস কনানা ইবনো?

৩। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা ৱারেংগী লাইরিক অমখক ইরম্মী। মমিং করি কৌই?

৪। ‘কপালকুণ্ডলা’ মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৭, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হায়নবা লৈ ঃ**

*তোনানবা মীদি মতম লৈবা খিবিক্তা মীৱা তাই।*

# শেল চায় হায়বগী ৱাকৎতা মথৌ তৌহন্দ্রবা প্রসিদেন্ট অমা

অওনবা মালেম

## সৌবাম তোম্বা লুৱাং

**ব্রাজিলগী** কোনুং রিও দি জেনরিওদা ওলেম্পিক গেমস হৌগদৌরে চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট থাসিদা। গেমস অসিবু শোয়দ-ঙামদনা, মশক মচু থোক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনরি। মসিসু ব্রাজিলগী মায় ওইগদৌরিবনি। হৌখিবা ওলেম্পিক গেমস কয়াদগী হন্দক্কী অসিনা হেন্না নুংঙাইবা অমদি ফজহন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। পূম্নমক অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবদি ব্রাজিলগী গভর্ণমেন্ট অসিনি। ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) দি চঙগদবা শেল অমদি শানবগী ওইবা টেক্লিকেলগী তঙাইফদবা মতেং পীবখক্তনি। অদুবু লুরিবদি গেমস অসিগী য়ূম্বু ওইরিবা ব্রাজিল গভর্ণমেন্টকী মনুংদা অচৌবা ৱাথোক অমা চথুগদৌরিবা য়াম্না মরু ওইরবা ওলেম্পিক গেমস অসিগী মাঙওইননা থোক্লকপা অসিনি য়াম্না নুংনাংনরিবা অসি। অদুম ওইনমক ৱাথোক কয়া লৈদুনসু গেমস অসিগী ওইফম থোকপা মশক অদুদি ওইননবা ব্রাজিলগী গভর্ণমেন্ট অমদি লৈবাক মীয়াম্না কন্না হোৎনরি।

ৱাথোক অদুদি অতৈ করিসু নত্তে, ব্রাজিলগী হৌজিক-হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা দিলমা রুসেফকী মথক্তা শেঞ্জা-থুমজা তৌই হায়বগী ৱাথোক অমা লাকপা অসিনি। মহাক্কী মথক্তা ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎলকখি শেঞ্জা-থুমজাগী। ৱাকৎ কয়া অসি লৈবাক্কী খ্বাইদগী চাউবা প্রসিদেন্টকী মথক্তনি। প্রসিদেন্ট ওইরিবা দিলমা রুসেফ অসিসু ব্রাজিলগী পুৱারীদা অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট অমনি। মসিগীসু মথক্তা দিলমা রুসেফকী মমাঙথক্কী পুন্সি ৱারী য়েংলুবদা য়াম্না পুকচেল শেংনা হৌরকখি। অদুবু প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা লৈবাক মীয়াম্না মহাক্কী মথক্তা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাকৎ লাকখিবসিনা মরম ওইরগা ব্রাজিল গভর্ণমেন্ট তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা য়ারকখিদে। মহৌশা মালেমগী লৈবাক কয়াদা তৌনবগুম ব্রাজিলদসু য়ানবা-য়ানদবা মায়কৈ অনী হেক্তা থোক্লকই। প্রসিদেন্ট দিলমাগী মায়োক্তা মীওই কয়া অমা য়ানিংদবগী ৱাফম লাক্লবসু য়ানিংবা মীওই কয়া লৈরকই গভর্ণমেন্ট মনুংদা। ৱাথোক অসি ব্রাজিলগী পার্লিয়ামেন্ট য়ৌনরক্তুনা খন্নবা হৌরে। মখোয়গী চৎনবী অমা লৈ মদুদি প্রসিদেন্টনা শেঞ্জা থুমজাগী মতাংদা চেন্নরবদি পার্লিয়ামেন্টনা খন্নরবা মতুংদা থিজিনবগী থবক চথুবা য়াহনবা অসিনি। দিলমাগী ৱাথোক অসিসু পার্লিয়ামেন্টতা খন্নদুনা ভোট লৌনবদা মহাক্কী মথক্তা থিজিনবগী থবক চথুগদবনি হায়বা মেম্বরশিংনা (সিনেৎনা) মশীং য়াম্বা হেনখি। মসিনা তাক্লিবদি দিলমাগী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অসি তশেংনা চুম্লবরা হায়না লৈবাক মীয়ামদা হেন্না চিংনবা ফাওহল্লি। অমরোমদা অমুক ব্রাজিল হায়রিবা লৈবাক অসিদি প্রসিদেন্ট ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্ট অমনি হায়বদি প্রসিদেন্টনা লুচিংদুনা লৈঙাকপা লৈবাক অমনি। মখোয়গী রুলগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট দিলমা মথৌ তৌহন্দনা থা তরুক লৈবা তাখি। হায়রিবা থা তরুক অদুদা দিলমাগী মথক্তা শীরিবা শেঞ্জা থুমজাগী মরাল অদুগী মরমদা কূপ্না থিজিনগদৌরিবনি। করিগুম্বা মরাল লৈরমদ্রবদি মহাক প্রসিদেন্টকী থৌ অমুক হন্না পুগনি। অদুগা মরাল লৈরম্লগদি প্রসিদেন্টগী ফম অমুক হন্না পুবদি লায়রদুনা রুলগী মতুং ইন্না অকনবা চৈরাক ফংবা তাবনি।

য়াম্না থাজদবা মওংদা কুমজা ২০১৫ দা ব্রাজিলগী মীওই মিল্লিয়ন্না খুজিং ওইদুনা লম্বীদা থোক্লক্তুনা দিলমাগী মায়োক্তা শেঞ্জা থুমজাগী খোঙচৎ অমা চৎলুবদুগী মরমদি ‘পেত্রোব্রাস স্কেন্দল’ হায়বদুনি। মসিদা প্রসিদেন্ট দিলমাসু চাউনা চেন্নৈ হায়বগী মরাল অদু মীয়াম্না শীরকপনি। হন্দক মহাক্কী মথক্তা থা তরুক্কী মনুংদা থিজিনগদৌরিবা অসিদা মসিগী ৱাথোক অসিসু য়াওরিবনি। অদুগা অমুক অতোপ্পা ৱাথোক অমনা দাম শাবগীনি। ব্রাজিলগী য়াম্না মমিং লৈরবা অদুগা মালেমগী মীয়াম্নসু খঙনরবা এমাজোন রিবর বেসিন্দা দাম অমা শানবা প্রসিদেন্ট দিলমাগী গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকই। দাম অসি শানবা প্রসিদেন্ট দিলমানা য়াম্না কন্না হোৎনৈ। অদুবু লৈবাক মীয়াম্নদি এমাজোন রিবর বেসিন্দা দাম শাবসি য়াম্না কন্না য়ানিংদে। করিগুম্বা মফম অদুদা দাম শারবদি মহৌশাগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা শোকহল্লক্কদবা কয়া লৈরি। অমরোমদা অমুক দাম অদুনা ব্রাজিলগী মফম কয়াদা খূৎশেমগী ঈচাও থোকহল্লক্তুনা য়ূম কয়া থুমহল্লক্কদবা অদুসু মীয়াম্না য়ানিংদে। দাম অদুনা য়েলহৌমী কয়াগী লম অমদি পুন্সি মহিংদা শোকহল্লক্কদবা অদুনা মরম ওইরগা দামগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপনি। শম্না হায়রবদা মণিপুরদা টিপাইমুখ দাম শাবগী মায়োক্তা মীয়াম্না য়ানিংদবগী ঈহৌ লাকপা অদুগুম্বনি ব্রাজিলগী ৱাথোক অসিসু।

মালেমগী ওইনা লৈরিবা এনভাইরোনমেন্টকী মরুওইবা লূপ গ্রীন পিশনসু দাম অসি শাবদা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্ট দিলমানা দাম অদু এমাজোন রিবর বেসিন্দা শাবা হৌখি। মহাক মনা পঙলবা মীওই অমগা পাঞ্জক ওইখি মতম অদুদা। মহাক অসি মশানা লৌখিবা ফিরেপ্তা পাক্লা হোঙগন্দবা মীওই অমনি নুপী ওইজরবসু। দাম অদু শাবা হৌহনখিবতা নত্তনা মদুবু শাবা থুনা লোইনবা অকনবা পাউতাক পীখি। থবক অদুবু য়েংশিন্নবা অখন্নবা কম্মিটি ফাওবা শেমদুনা থবক শুহনখি। থবক শুরিবা শিন্মীশিংদা নোংমদা পুং ২০ থবক শুনবা পাউতাক পীখি। অদুবু অমরোমদা অতোপ্পা ঈহৌ অমমুক লাকখি শিন্মীশিংবু নোংমদা মতম শাংনা থবক শুহনবগীদমক। শিন্মীশিংনা নোংমদা পুং ৮/১০ দগী হেন্না থবক শুবা য়াদে হায়বা চৎনরোল লৈরিবনি। থবক হেন্না শুরবসু শিন্মীশিংগী খূৎশুমলদি হন্থনা পীরি। অমরোমদা রিবর বেসিনগুম্বা য়াম্না খুদোংচাদবা মফমদা থবক শুবদি শিন্মীশিংগী খূৎশুমল হেনগৎপা মশানা তাবনি হায়বসি শিন্মীশিংগী দিমান্দ অমনি। মসিনা মরম ওইরগা ব্রাজিলদা শিন্মীশিংগী ঈহৌ চাউনা হৌরক্তুনা থবক কয়া লেপখি। নুমিৎ কয়ানি থবক লেপ্লকপদা ব্রাজিলগী শেল-থুমদা অকায়বা কয়া লাকপা হৌরকপদগী মহাক্লা ঈহৌ হৌরিবা শিন্মীশিংবু নমথনবা লান্মী থাজিন্দুনা তকখায়খি। ঈহৌ অদু নমথখ্রবসু দাম শাবদদি অচৌবা অপনবা ওইখি। মীয়াম্নসু দাম অসি নমদুনা শারিবসিগী মরুওইবা মরম করিগীনো হায়বদু চিংনবা হৌরকখিদবা নত্তে। এমাজোন বেসিনগুম্বা য়াম্না খুদোংচাদবা মফমদা দাম শাবগী থবক লৌখৎলকপসি য়াম্না লায়না শেঞ্জা-থুমজা তৌবা য়ানবনি অমদি মদুমক তৌরে হায়বগী মরাল অসিনি মহাক্কী মথক্তা মীয়াম্না শীরক্লিবসি।



মথৌ তৌহন্দ্রবা প্রসিদেন্ট দিলমা রুসেফ

দিলমা রুসেফ অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদদি মহাক য়াম্না চন্না হৌরকই। দিলমা কুমজা ১৯৪৭ কী দিসেম্বর ১৪ দা ব্রাজিলগী খা থংবা মিনাস গেরিস হায়বা মফম অদুদা পোকই। মহাক্কী অপোকপা মপা অসি ব্রাজিল মচা নত্তে। পেদ্রো রুসেফ কৌবা বুলগেরিয়াদা পোকপা উকিল অমনি। অদুবু মহাক্কি অপোকপী মমা অদুদি দিলমা জেন দিসিলভা কৌবী ব্রাজিল নিঙোল অমনি। মহাক্কী মমা অসি স্কুলগী ওজানি। মপা অসিদি বুলগেরিয়াদা লৈবা কম্যুনিষ্টকী লুচিংবা অমনি। মতমদুগী বুলগেরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা কম্যুনিষ্ট পার্টিবু তকখায়রকপদগী মহাক্কী মপা অসি হিংনবা চেল্লকখি। মতমদুদা মহাক নুপী থিদুনা মচা লৈরে। মহাক্কী নুপী অমদি মচানুপা অমা বুলগেরিয়াদা হু‍দাক্লম্লগা চেল্লকপনি। মহাক্লা লৈবাক কয়াদা লোৎতুনা লৈরুরগা অকোনবদা ব্রাজিলদা মমিং ওন্থোক্লগা লল্লোনবা মীওই শাদুনা লৈরকখি। অদুগী মতুংদা রিও দি জেনরিওদা দিলমাগী মমা অসি থেংনরক্তুনা য়ূম্বানমিন্নখিবনি। অদুনা প্রসিদেন্ট দিলমা অসি অতৈ লোল অমদি চৎনবী কয়াসু খঙই, ব্রাজিলগী লোল অমদি চৎনবীগী মথক্তা। প্রসিদেন্ট দিলমানা অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ব্রাজিল অসি দিটেক্টরগী লৈঙাক মখাদা লৈরম্মী। মদুগী তমথিরবা লৈঙাক অদুগী মায়োক্তা গুরিলা লালহৌ হৌরম্মী। লালহৌ অদুদা মহাক্কী অপোকপা মপাসু য়াওরম্মী নাকোয়ননা। মসিনা মরম ওইরগা প্রসিদেন্ট দিলমানা অঙাং ওইরিঙৈদা অসিগুম্বা গুরিলা লালহৌ অদুদা য়াওরম্মী। গুরিলা লালহৌগী মনুংদা লৈবা খূৎলায় পায়বা কম্মান্দো গ্রুপ অমগী লুচিংবসু ওইরম্মী। দিটেক্টর লৈঙাক্কী মায়োক্তা এক্সন কয়া চথুখি অমদি বেঙ্ক লুট তৌদুনা মখোয়গী থবক্তা মতেং পাঙখি। অসিগুম্বা খোঙজং অসিদগী মহাকসু পুলিসনা ফাদুনা কৈশুমশঙদা মতম কয়া থমখি। দিলমা ব্রাজিলগী অফবা স্কুল/কোলেজদা মহৈ মশিন তম্লকখি।

মখোয়গী খোঙজং অদু মায় পাক্লক্তুনা দিটেক্টর লৈঙাক নমথদুনা ব্রাজিলবু দেমোক্রেসিগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। অমরোমদা দেমোক্রেসিগী লৈঙাক লৈরবা মীয়াম্না খল্লবা মীওইশিংনা লৈঙাল্লবা মতুংদনি অসিগুম্বা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক মহাক্কী মায়োক্তা লাকখিবসি। মীয়াম্না অমুক দেমোক্রেসিগী মতেংনা অচুম-অরান থিগৎনবা ঈহৌ হৌরকপসিসু নুংঙাইবা মওং অমনি। অদুবু ৱাথোক অদুগী অচুম-অরানদি মতমগী মতুং ইন্না খঙনরক্কদবা লৈরে। মহাক্কী ৱাথোক অসি মালেম মীয়ামদা অনৌবা পাউজেল অমনি। অদুগা তমগদবা অচৌবা পারা অমনি মরু ওইনা মণিপুরগী মীয়াম্না।

# খ্বাইদগী মরু ওইবনি খল্লগা য়েংশিনমিন্নহৌবা চুমগনি

মতম মতমগী ৱাফম

## সেঞ্জম দেবেন




**মণিপুরদা** লৈরিবা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং অয়াম্বনা হৌজিক-হৌজিকমক, সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংদা মতৌ করম্না থবক চঙগদগে অমদি হাপ্পবগে হায়বসি মপূং ফানা ইখঙ-খঙনদবদৌনা তৌরি। মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোইশঙশিংদা থবক চঙনবগী মরমদদি অয়াম্বনা ৱাখল-লৌশিং চপ-চানা লৈনৈ। লুরিবদি, করপসন্না হারবা মণিপুর লৈঙাক্কী লোইশঙশিংসিদা পুন্সিগী ইন্টরভিয়ু য়াওজররোই হায়বা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং হৌজিক মশীং থীঙমদনা চোঙথোক্লক্লে। মহৌশানা মখোয় মণিপুরগী লায়রবা ইমুংশিংগী মহৈরোয়শিংনা অয়াম্বনি। তৌইগুম্বসুং, মশানা মহৈ-মশীন্দা মথ্বায় য়াওনা হৌজরকপা, করপসন পামদবা ইনাকখুনবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংসু য়াওদবদি নত্তে। অদুবু লাইবক থীরিবদি হৌজিক-হৌজিকমক, সেন্ট্রেল লোইশঙশিংগী মখাদা থবক চঙনবগীদমক চাংয়েংদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগীদমক অসুক্কী মতিক নীংবা কায়নীংঙাই ওইরবা অচৌবা মমি অমা ময়েক লানা মণিপুরদা তারক্লি। ৱাফমসি মণিপুরগী মীয়াম পূম্বনা য়াম্না কুপ্না অমসুং চেকশিন্না য়েংশিলহৌদবা য়াদবা থৌদৌ অমা ওইরে। মণিপুরগী মীয়াম্না খঙজিনমীন্নবদা থেংমল্লবা মতমনি। থৌদৌশিংদু মখাগী অসুম্ননি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ময়ায় লোইশঙশিংদা থবক তৌগদবা ময়ায় ওইরপ্পা থৌমীশিং খন্নবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ‘ষ্টাফ সেলেক্সন কমিসন’ হায়বা তোঙানবা লোইশঙ অমা কুমজা ১৯৭৫ তগী হৌনা লিংখৎতুনা মথৌ তৌহল্লক্লি। মসিগী ময়ায় লোইশঙনা দিল্লিদনি। ময়ায় লোইশঙসিগী মখাদা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক থুংনা লোইশঙসিগী তোঙান-তোঙানবা মশা লোইশঙশিং খায়দোক্তুনা মথৌ তৌহল্লি। অপূনবা মশা লোইশঙ ৯ নি। মণিপুর য়াওনা নোর্থ-ইষ্টতা লৈবা ষ্টেট ৭ কীদমক আসামগী গুৱাহাটিদা লৈবা ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন, নোর্থ-ইষ্টর্ন রিজন, গুৱাহাটি হায়বসিনা মথৌ তৌরি। মসিগী মথংদা কোলকটাদা লৈবা ৱেষ্ট-বেঙ্গল, উরিষ্যা, আন্দমান অমসুং নিকোবর আইলেন্দ অমদি জরখঙুনচিংবগী মশা লোইশঙ অমা অমসুং মথংদা ময়ায় থংবা শরুকশিংগীদমক, বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশকী মশা লোইশঙ অমা, মথংদা ন্যু দিল্লিগী ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসন অসিনচিংবা মথং মথং লৈ। ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী য়াখোক্লবা চৎন-লোনচৎকী মতুং ইন্না মশা লোইশঙশিংসিনা কোনবা মফমশিংগী খাক্তুনা থম্বা ফমশিংগী চাং লৈনরি। মদুগী মথক্তা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা চাংদম্নরগা মশাগী লম শরুক্তা চাংদম্ন বদা ফংদ্রবসু অতোপ্পা শরুকশিংদা চাংদম্নরগা থবক চঙহন্নবা ফম খরগসু, চাংয়েং ফোর্ম থাগৎপদা অসিগুম্বা মওংদা খোৎখিবশিংগীদমক খাক্তুনা থম্মী। হায়নিংলিবসি মণিপুরদা মমাঙ-মমাঙগী চহী ১০/১৫ হেনবদগী হৌনা নোংমতা বিহার অমদি মপানগী ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমত্তা মণিপুরগী সেন্ট্রেল লোইশঙশিংসিদা নৌনা থবক চঙবা খক য়াওরক্ত্রবনি, অদুবু হন্দক্তা চহী ৩/৪ সিগী মনুংদা বিহার ষ্টেটকী মীওইশিং ঙাক্তনা মণিপুরগী সেন্ট্রেল লোইশঙশিংদা নৌনা চঙলকপশিংগী চাদা ৮০ রোমগী চাং হেন্না থবক চঙশিল্লক্লি। থৌদৌসি করম্না ওইরকপনো ঙক্নরি। ৱাফমসিগী মরমদা মণিপুরগী সেন্ট্রেল লোইশঙশিংগা নকশিন্ননা লৈরুদবা মণিপুরগী মীয়ামশিং অয়াম্বনা খঙনরমগনি থাজদে। ফীভমসি মণিপুরগী ওইনা থবক ফংজগদবা নহারোল কয়ামুক্কী মরায়বকশিং নোংম-নোংমগী, নোংদোল য়ৌগে খন্না পাইখৎচরকখিবা মুকথ্রুবীশিং মীনুংশি য়াওদবা চরোইনা লম্মখাঙদা থত্তুনা শরাক তন্থীখিবদুগা চপ মান্ননা থোক্লি। থৌদৌসি পান্থে খরনা খুদক্তগী থীংনবা হোৎনহৌদ্রবদি মণিপুরগী লাইরিক-লাইশুদা থৱায় য়াওজরিবা মহৈরোয় কয়ামরুম নোংম-নোংমগী নীংবা কায়বগী চাং হেঙ্গৎলকখিগনি। লোয়ননা ইরমদমসিমক্তদা ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা ইচা-ইশুশিং কয়ামরুমগী মমাঙদা থাজরিবা চাক্লুকশিংবু করিসু লৈতবা বিহারি চরোইশিংনা মুনবীখিবগী থৌদৌশিং লেপ্তুনা চথুরকখিগনি। থৌদৌশিংসিগী মরমশিং মখাগী অসুম্না অমুক্কসু নৈনমিন্নবা য়াই।

বিহার ষ্টেটতা পাঙথোকপা চাংয়েংশিংগী ৱাথোক হৌজিক-হৌজিকমক ফোঙ-ফোঙ শারি। হন্দক্তা হায়দোকখিবা বিহার ষ্টেট বোর্দশিংগী মেত্রিক অমদি ক্লাস টুয়েল্বকী চাংয়েংশিংদা মকোক থোংলকখিবশিং নত্তবা পান্থে কয়ামুক্লা য়োমদুনা ওইদ-পাদনা মকোক মথংশিং তাহনবা ওইরম্মী হায়বগী ৱাথোক্তা হৌজিক মীওই ৪/৫ রোম ফাগৎখ্রে। মখা তাবা কয়ামরুমসু ফাগৎকদবা ৱাৎলি হায়রি। মমাঙদসু বিহারদা পাঙথোকপা চাংয়েংগী মওং-মতৌশিং ইন্দিয়া পূম্বা শীনবা থুংনা ইন্টরনেটতা থাগৎনরকখিবা কয়া লৈখ্রে। মসিগী মরমশিংসু কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী লমদা মখোয়না শুজ-নোমজরগা তাঞ্জবা শেলনা বিহারিশিংনা মপুক থন্না চাবা ফংজদবগী চাং নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলকখি। ফীভমসিদা বিহারিশিংনা লৈঙাক্কী থবকশিং কৌরকপদা অঙম্বী থাক্তা করি-করিনো মখল খুদিংমক্কী পান্থেশিং শীজিন্নদুনা থবক ফংবা ঙমহৌনবা অমসুং অপূনবা থবক মশীংগী লাইওন সিয়ার মখোয়না লৌহৌবা ঙম্নবা হোৎনরকখি। লাইরিক হৈদ-হৈহৌদবশিংনা বিহারগী মপান ষ্টেটশিংদা হৈজ-হৈজবা উত্তুনা খূৎকী থবক কয়ামরুম শুদুনা হিংবা ঙম্নবা হোৎনবগী চৎনবীসু লৈরকখি। ফীভমসিমক্লা বিহারদা পাঙথোকপা চাংয়েং খুদিংমক্তা, মহৈ-মশীনগীবু ওইরো, লৈঙাক্কী থবক চঙবগীবু ওইরো, মীনম-শোরিবগী থৌদৌশিংমক্তুনা পীক থনহল্লকখি। মতৌ অসুম্না বিহারিশিংনা লৈঙাক্কী মফম খুদিংমক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থবকশিং পূম্নমক মখোয়না ফংনবা হোৎনরকপদগী ৱাথোক কয়া থোকপা হৌরকখি। ফীভমসি অতৈ ষ্টেট খরদসু চিংনবা ফোঙদোক্লরকপগী ৱাফমশিং লৈনখি। অদুম ওইনমক, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মণিপুর ষ্টেটতা থোক্লিবা অসিগুম, চাং ৱাংনা থাজিল্লকপগী পাউমক্তি তাবা লৈত্রি। তশেংনমক বিহারগী থৌদৌসি চয়াম পোকপা লায়রবা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মপুক থলহন্নবা পান্থে লৈতবদগী মহৈ-মহৈ মানা-মানা থোকপা মপুক থন্নবা হোৎনজরুরসনু হায়দুনা, মচাশিংবু ময়ূমদগী মপান্দা থাদোক্লকপদুগা চপ মান্নে। ফীভমসিদা নীংশিংনবা য়াবা অমনা, মমাঙদা মণিপুরনা আই এল পি দিমান্দ কন্না তানশিল্লকপগী মতাংদা, বিহারগী পাপু যাদব কৌবা বিহারি এম পি অমনা লুচিংদুনা লম্বীদা চেনবা বিহার ফাওদুনা লাকপা ত্রেন খুদিংমক থত্তুনা মণিপুরী মচা য়াওব্রা হায়দুনা থীখি হায়বদুগী চপ চাবা মরম হৌজিক্তা ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্লিবসিনি। তশেংনমক্তি থৌদৌসি বিহারদা সরভাইভেল ফোর লিভীংগী চপ-চাবা ৱাহন্থোক্তুমক চুম্মা থোক্লকপগী থৌদৌনি। তশেংনমক বিহার ষ্টেটতা মখোয় মশেলগী মরক্তুসু শোয়দনমক্কী মওংসি নুংঙাইবা থৌদৌ অমমক্লিদি হায়নরম্লোই। অদুবু, ফনা হায়দুনসু বিহারগী থৌদৌসিগী মমি মণিপুরদা তাহল্লক্তুনা পীকখ্রবা ষ্টেট অসিগী চাকথুংশিংদা থমায়শিল্লকপগী থৌওংশিংদদি ঐখোয় (মণিপুরীশিং) না কৈদৌঙৈদা খক তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্ফম থোক্তে। থৌদৌসি ঙল্লিঙৈসিদা অখঙ-অহৈশিং তান্নরগা মরু ফংনা থিদোক্তুনা লায়েংহৌনবা পূন্না হোৎনমিন্নসি। মসি মণিপুরী ঐখোয়গী তঙাইফদবা ইথৌশিংগী মনুং চনফম শোয়দনা থোক্কনি।

মথক্তা পনখ্রিবা মণিপুরগী সেন্ট্রেল লোইশঙশিংদা মণিপুরগী মপান্দগী লাকপা বিহারিশিংনা অহাংবা ফমশিং তত্তনা মেনশিল্লকপগী থৌদৌসি মণিপুরগী লৈঙাক্লোইশিংসিনা খঙলমগদ্রা? নৎত্রগা অসিগুম্বা ফীভমশিংসি থিজিন-হুমজিন্নবা মণিপুরগী মরী লৈনবা লোইশঙ নৎত্রগা দিসিজন মেকিং বোদিশিং লৈবরা? হৌজিক ফাওবগীদি থিজিনবীনবা কনাসু লৈত্রিবা মাল্লি। অদুবু, মণিপুরগী থৌদোক-ৱাথোক কয়াগী পুৱারীগী চেনাশিংদা লমায় কানবা তৌদনা শরুক য়ারক্লবা মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিং ঐখোয়গী অপূনবগী পাঙ্গল অমদি মতম পূম্বগী ওইনা লেংদনা অদুমক লৈরি। ইমা-ইবেলশিংগী কাঙলুপ, মহৈরোয় নহারোলশিংগী কাঙলুপ, ইপা-ইপল, মরুপ-মপাং, খ্বাই-খিবিক্কী কাঙলুপ, পূম্নমকসিনা হোৎনদুনা শোয়দনমক্কী তুংগী মণিপুর অমগী শক্তম কন্নবগীদমক অমদি হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী চাকথুংশিং ফংনবগীদমক খোঙজংশিং চঙশিনমিন্নবা তাই। তঙাইফদনা মণিপুরগী এম পিশিংদা ৱাকৎলগা পার্লিয়ামেন্টগী লৈমায়দা শোয়দনমক্কী ফীভমসিগী মতাংদা অকনবা ৱাকৎশিং পুখৎতুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অকনবা মিৎয়েংশিং চিংশিনহৌবা মথৌ তারি।